# জোকোভিচ, রাওনিক, নদাল, সেরেনা ৱিল্লিয়মস, প্লিস্কোভানা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ১৭ :

ৱর্ল্ড নম্বর টু সার্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা মফম অসিদা চথরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা হাদ হিট্টিং স্পানিয়ার্দ ফর্নান্দো ভার্দাস্কোবু ৬-১, ৭-৬ (৪), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা রেকোর্দ ওইনা তরেৎলকশুবা ওইনা ওপন অসিগী টাইটল লৌনবগী কেম্প্যেন হৌখ্রে।



রোদ লেভর এরেনাগী ফ্লদলাইটতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অসিনা মমাঙ চহীগী অহানবা রাউন্দদা রাফেল নদালবু মায়থীবা পীখিবা স্পানিয়ার্দপু য়াম্না লাকচনা তৌদুনা শান্নখি।

নোভাক জোকোভিচনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা ক্বার্টর ওপনদা ভার্দাস্কোবু মায়থীবা পীখিবদা মেচ পোইন্ট মঙা সেভ তৌখি অমদি মেলবোর্ন পার্ক সেন্টর কোর্টতা চথখিবা অনীশুবা সেটতা মতীং থোক্লা অনীরক নম্মৎখি।

নোভাক জোকোভিচনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা ইভান দোদিগ নৎত্রগা দেনিস ইষ্টোমিন অনীগী মরক্তা অমগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচ অমদা কনাডাগী পৱর সার্ভর মিলোস রাওনিকনা জর্মনগী দষ্টিন ব্রাউনবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

মমাঙ চহীগী মেলবোর্নদা সেমী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবা অহুমশুবা সীদ অসিনা মার্গরেট কোর্ট এরেনাদা মিনিট ৯৩ চঙনা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুদা ব্রাউনবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

রাওনিকনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা সিদনি ইন্টরনেসনলগী ৱিন্নর গিলেস মুল্লর নৎত্রগা অমেরিকান টেলর ফ্রিটজ অনীগী মরক্তা অমগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

রাওনিকনা দোমিনেট তৌনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মহাক্কী ৱিন্নর ৪৬ কী মনুং এস ১৮ কনখি অমদি মহাক্কী অহানবা সার্ভ অদু চাদা ৮২ মায় পাক্লা কনখিদুনা মায় পাকখি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবা রাওনিকনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান এন্দি মরেগী মখুৎতা ৱিমব্লেদনদা মায়থীহৌদুনা গ্রান্দ স্লামগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা কনাদিয়ন ওইখিবনি। মহাক্না মমাঙ চহীগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী সেমী ফাইনেল চঙখিদুনা মহাক্কী লৈবাক্কী নুপা শান্নরোয় অমনা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা প্লেয়রসু ওইখিবনি। সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা মহাক্না অমুক হন্না স্কোটকী মখুৎতা মায়থীখি।



মশা-মউ ফরবা রফেল নদালনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অহানবা রাউন্দগী মেচতা জর্মনিগী ফ্লোরিয়ন মায়রবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ১৪রক ওইখ্রবা অমদি কুমজা ২০১৬ তা মশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা কোর্টতা নিংথিনা হল্লকপা ঙমখিদ্রবা মতুং চহী অসিদগী মশা-মউ ফনা কোর্টতা হল্লকখিবা নদালনা রেঙ্ক ৪৯ শুবদা লৈরিবা মায়রবু ৬-৩, ৬-৪, ৬-৪ দা পুং অনী চঙনা রোদ লেভর এরেনাদা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

মহাক্না মথংগী মেচতা সাইপ্রিওটকী মার্কোস বাঘদাটিসতা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি। নদালনা কুমজা ২০০৯ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী ফাইনেলদা রোজর ফেদররবু মায়থীবা পীরম্লগা টাইটল লৌখিবা অদুগী মতুংদা হন্দক্কী ওপন অসিদা অনীরকশুবা ওইনা টাইটল লৌনবা মিৎয়েং থল্লি।

রোজর ফেদররনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রোদ লেভর এরেনাদা শান্নখিবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা ক্বালিফাইয়র জর্গেন মেলজরবু ৭-৫, ৩-৬, ৬-২, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা স্বিস অসিনা পুং অনীগা মিনিট তরুক চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মহাক্কী লম্বাগা অকনবা মঙৎদা শিংনদুনা শান্নখি। মেলবোর্ন পার্কতা মরি য়াওনা গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১৭ লৌখ্রবা ফেদররনা মথংগী মেচতা অমেরিকান ক্বালিফাইয়র নোঅহ রুবিনগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

চৈরক অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস মেচকী লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচতা সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা বেলিন্দা বেনসিকপু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা সেকেন্দ রাউন্দ চঙখিবগা লোয়ননা মহাক্কী গ্রান্দ স্লাম টাইটল ২৩ লৌনবগী খোঙজং অদু মায় পাক্লা হৌখ্রে।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবী ৱর্ল্ড নম্বর টু অমেরিকান অসিনা স্বিসপু মায়থীবা পীখিবদা মিনিট ৭৯ চঙখি। ৱিল্লিয়মসনা সেকেন্দ রাউন্দগী মেচতা চেক রিপব্লিক্কী লুসি সাফারোভাগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

হান্নগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান কারোলিন ৱোজনিয়াক্কিনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী অরিনা রোদিওনোভাবু ৬-১, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

খঙফাও-ফাওগৎলক্লিবা চেক রিপব্লিক্কী ষ্টার কারোলিনা প্লিস্কোভানা মহাক্কী লম্বাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিদুনা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা ওইনা ৱর্ল্ডগী মঙাশুবা মফমদা লৈরিবী মশাগী চহী ২৪ শুরবী মরেপ ৱাংবী অসিনা রোদ লেভর রেঙ্ক ১০৬ শুবা মফমদা লৈরিবা স্পেনগী সারা সোরাইবস টোর্মোবু ৬-২, ৬-০ দা মায়থীবা পীখি। দেন অসিনা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা রসিয়াগী ক্বালিফাইয়র অন্না ব্লিঙ্কোভা নৎত্রগা রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেস্কুগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

বৃটিশকী ৱর্ল্ড নম্বর মাপনশুবদা লৈরিবা জোহন্না কোন্টানা বেলজিয়ন কির্ষ্টেন ফ্লিপকেন্সপু ৭-৫, ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে। মশাগী চহী ২৫ শুরবী অসিনা মথংগী মেচতা জপানগী নাওমি ওসাকা নৎত্রগা থাইলেন্দগী লুকসিকা কুমখুম অনীগী মরক্তা অমগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

# ঐগী পান্দমদি সুশিল কুমারগুম্না ওলেম্পিক মেদল অনী লৌবনি : সক্সি মালিক



ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ১৭ :

ওলেম্পিক মেদল লৌবা অমত্তা ঙাইরবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী রেষ্টলর ওইরবসু মদুনা সক্সি মালিককী ওইনদি অপেনবা হায়বদু ওইদ্রিবনা মহাক্না সুশিল কুমারগুম্না কুমজা ২০২০ টোকিয়ো গেমসদা ওলেম্পিক্কী অনীশুবা মেদল লৌনবা পান্দম থল্লি।

সক্সি মালিকনা হায়খি, ঐগী পান্দমদি সুশিল কুমারনা ওলেম্পিক্তা মেদল অনী লৌদুনা পুৱারী থল্লিবা অসিগুম্না লাক্লিবা কুমজা ২০২০ গী টোকিয়ো ওলেম্পিক গেমসদা অনীশুবা মেদল লৌবদুনি। ঐনা মসিগী পান্দম অসি ফংনবা অহকপা মিৎয়েং থল্লি। ঐনা সুশিলজিগুম্না ওলেম্পিক্কী দবল মেদলিষ্ট ওইবা পাম্মী হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ওলেম্পিক্সকীদমক নুপা/নুপী শান্নরোয়শিংনা মাঙজৌননা চহী মরি ট্রেনিং তৌবা হৌনরি অমদি মসিগুম্না ঐসু মাঙজৌননা ট্রেনিং তৌবা হৌরে। চৎলিবা চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক ঐহাক্কী অথুবা ফীরেপতি শেম শাবনি।

চহী অসিদা ঐনা থল্লিবা পান্দমদি ৱর্ল্ড চেম্পিনশিপ্তা মেদল লৌবনি। হৌজিক ঐনা চহী অসিগী মে থাদা দেল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবা থৌরাং তৌরি। মসিগী মথক্তা মথংগী চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌থ অমদি এসিয়ন গেমসদা গোল্ড মেদল লৌনবা মাঙদা মিৎয়েং থল্লি হায়না মমাঙ চহীগী রিও ওলেম্পিক্তা মেদল লৌবা ইন্দিয়াগী অহানবা নুপী রেষ্টলর ওইখিবী সক্সিনা হায়খি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী অসিনা হায়, ওলেম্পিক মেদল লৌখিবা মতুংদগী পুন্সিদা চাউনা অওনবা লাকখ্রে অমদি মীয়াম্না মশক খঙবসু হেঙ্গৎহল্লে। পুন্সি অসি অফবা রোমদা চঙশিল্লক্লে। মীয়াম্না মশক খঙবসু হেঙ্গৎলক্লে অমদি মসিনা ঐঙোন্দা অপেনবা অমসু ওইহল্লে। মসিনা ঐঙোন্দা হেন্না অফবা রোমদা মায় ওনশিহন্নিংবগী ঈথিলসু পীরে হায়না ফোঙদোকখি।

সক্সিনা দেল্লি সুল্টান্স টিমগী কেপ্টেন ওইদুনা সিজন অসিগী প্রো রেষ্টলিং লীগতা শরুক য়াখি অমদি মহাক্না নিংথিনা শান্নখ্রবসু মহাক্কী টিমবুদি সেমী ফাইনেল ফাওবা পুশিনবা ঙমখিদে।

মহাক্না হায়খি, মথংগী সিজনদা ঐগী টিমনা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীগনি হায়বগী থাজবা ঐঙোন্দা লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্নগী ইন্দিয়াগী স্পিন্নর শ্রীরাম শ্রীধরনবু স্পিন কন্সলটেন্ট ওইনা লৌখ্রে

মেলবোর্ন, জান্যুৱারী ১৭ :

লাক্লিবা টেষ্ট সেরিজদা ইন্দিয়াগী স্পিন বোলরশিংবু লম্বা তৌনবা ঙম্নবগীদমক ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা হান্নগী ইন্দিয়াগী স্পিন্নর শ্রীরাম শ্রীধরনবু মখোয়গী স্পিন কন্সলটেন্ট ওইনা ৱায়খ্রে।

কুমজা ২০০০ গী মার্চ থাদগী কুমজা ২০০৪ গী দিসেম্বর ফাওবা ইন্দিয়াগীদমক ও দি আই মেচ নিপান শান্নখ্রবা শ্রীধরননা মমাঙ চহীদা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি-২০ অমদি শ্রী লঙ্কা টুরদা ওষ্ট্রেলিয়ন টিমবু এসিষ্ট তৌখি।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী এক্সিক্যুটিব জেনরেল মেনেজর টিম পার্ফোমেন্স পেট হোৱার্দনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, শ্রীনা ঐখোয়গা পুন্না থৌরম কয়াদা থবক তৌমিন্নখ্রে। মহাক অসি হৌজিক ঐখোয়গী অন্দর-১৬ টিমগা দুবাইদা লৈদুনা মহাক্কী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা সব-কন্টিনেন্টেল কন্দিসন অদু তাকপী তন্বীরি। মহাক্না ঐখোয়গী প্লেয়রশিংবু নিংথিনা মশক খঙই অমদি ইন্দিয়াদা ঐখোয়গী প্লেয়রশিংনা মায়োক্লগদবা ফীভমগী মতাংদা লৌশিং পীরি হায়রি।





মশাগী চহী ৪০ শুরবা অমদি লেফট আর্ম স্পিন্নর শ্রীধরননা মহাক্কী কেরিয়রদা ও দি আই ৱিকেষ মাপন লৌখ্রে। মহাক্না লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২৩ দগী পুনেদা হৌগদৌরিবা টেষ্ট মেচ মরিগী সেরিজগীদমক মতীং থোক্লা ওষ্ট্রেলিয়াগীদমক লেপ্লি।

শ্রীরাম শ্রীধরননা হায়খি, ঐবু অমুক হন্না ওষ্ট্রেলিয়াগী মেন'স টিমগা থবক তৌমিন্নবগীদমক খুদোংচাবা পীরকপা অসি ঐবু ঈকায় খুম্নবীবনি হায়না লৌই। ঐনা ঐগী খঙজবা অমদি হৈজবশিং অদু ওষ্ট্রেলিয়ন টিমদা পীদুনা ক্বালিটি লৈনা মায়োক্লহনগনি। টেষ্ট প্লেয়িং নেসন অমা টুর তৌবদা খ্বাইদগী টফ ওইবা মফমশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি হায়না লৌনরিবনি অমদি ঐনা চেল্লেঞ্জ তৌনবগীদমক মাঙদা মিৎয়েং থল্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২৩ দগী ইন্দিয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা টেষ্ট মেচ মরিগী সেরিজগীদমক ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্রিকেট স্কাদতা স্পেসিএলিষ্ট স্পিন্নর মরি হাপচিনখিবগী মনুংদা অনকেপ লেগস্পিন্নর মিটচ স্বেপসন য়াওখিবনি।

ক্বিনলেন্দগী স্বেপসনবু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মেম্বর ১৬ কী স্কাদ অমা লাউথোকখিবা অদুদা য়াওখি। অতোপ্পা স্পিন্নরশিং অদুনা অলটন অগার, নাথন লয়োন অমদি ষ্টেফন ও'কীফেনি। অদুগা ওল রাউন্দর গ্লেন্ন মেক্সৱেলনা মঙাশুবা স্পিন ওপসন ওইনা হাপখি।

মচিন-মনাও ওইরিবা শৌগ অমদি মিটচ মার্শপু টিমদা অমুক কৌখৎখি অদুগা ওল রাউন্দর মিটচেল কার্টরাইটনা টিমদগী দ্রোপ তৌখি। মিটচেল কার্টরাইটনা মহাক্কী অহানবা ওইনা পাকিস্টানগী মায়োক্তা শান্নখিবা টেষ্টতা শরুক য়াখিবনি। মেথিয়ু ৱাদে মতোমতা স্পেসিএলিষ্ট ৱিকেটকিপর ওইনা য়াওরি।

# আই লীগ ২০১৭ : মোহন বগাননা মিনরভা পঞ্জাবপু, আইজোল এফ সিনা শিল্লোং লাজোংবু মায়থীবা পীখ্রে

কোলকটা/আইজোল, জান্যুৱারী ১৭ :

দেরিল দুফে অমসুং জেজে লালপেখলুআগী গোল ৪ না মোহন বগাননা কোলকটাগী রভিন্দ্রা সারোবার ষ্টেদিয়মদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা চথখিবা হেরো আই লীগকী মেচতা মিনরভা পঞ্জাবপু ৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী অহুমশুবা মায় পাকপা ওইখ্রে।



অমরোমদা, আইজোলদা পাঙথোকখিবা অতোপ্পা আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা য়ুম্বু আইজোল এফ সিনা শিল্লোং লাজোংবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী থংন-থংননা অনীরক মায় পাকপা ওইখিবগা লোয়ননা লীগ অসিগী ষ্টেন্দিংদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে।

আইজোলনা লীগ অসিদা ফংখিবা মখোয়গী মেচ অহুমদগী অপুনবা পোইন্ট তরেৎ ফংদুনা টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি। অদুগা শিল্লোং লাজোংনা থংন-থংননা মায়থীবা অহুল্লকশুবা ওইখি।

মোহন বগান অমদি মিনরভা পঞ্জাব অনীগী মেচ অদুদা মায় পাকখ্রবা মোহন বগানগী প্লেয়র দেরিল দুফেনা মেচকী মিনিট ১৬ অমদি ৩২ চৎপা মতমদা গোল অনী অমসুং জেজে লালপেখলুআনা মেচকী মিনিট ২৮ অমদি ৭৭ চৎপা মতমদা গোল অনী চনখি।

মিনরভা পঞ্জাবনা মেচকী অহৌবদা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা তৌদুনা চঙশিনখি। মোহন বগানসু মায়োক্লখিবা সাইদতা কাউন্টর এটেকশিং তৌদুনা গোল চন্ননবা হোৎনরকখি। মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ১৬ চৎপা মতমদা সোনি নোর্ধেনা কাওরকখিবা ফ্রী কিক অমা দেরিল দুফেনা চোংখৎতুনা মিনরভা পঞ্জাবকী নেট মনুংদা হেদিং তৌশিনখিদুনা গোল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

মখা তানা মোহন বগাননা তৌখিবা এটেক অমদা জেজে লালপেখলুআনা মেচকী মিনিট ২৮ চৎপা মতমদা ফংখিবা পাস অমদা মিনরভাগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিনদুনা গোল চনখিবগা লোয়ননা ২-০ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

মোহন বগানগী অহুমশুবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৩২ চৎপা মতমদা জপানিজ প্লেয়র কাটসুমি য়ুসানা মিদফিল্ডদগী শাংনা পীরকখিবা বোল অমা বোক্সকী য়েৎথংবদা লৈখিবা দেরিল দুফেনা ওক্লগা মিনরভাগী গোল পোষ্ট মনুংদা কাওশিনখিদুনা গোল চনখি।

অনীশুবা হাফতা মোহন বগাননা টেম্পো লৈনা তকখৎলকখিদুনা মিনরভাগী মায়কৈদা লৈতাহনখিদে। মখোয়না তৌখিবা এটেক অমদা মোহন বগানগী জেজে লালপেখলুআনা মেচকী মিনিট ৭৭ চৎপা মতমদা গোল অমগা চনশিনখিদুনা মিনরভা পঞ্জাবপু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীরমখি।

অমরোমদা, লীগ অসিগী আইজোলদা পাঙথোকখিবা মেচতা আইজোল এফসিনা শিল্লোং লাজোংবু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা থংন-থংননা মখোয়গী অনীরকশুবা হোম মেচ মায় পাকপা ওইখি।

মায় পাকখিবা অসিনা আইজোল এফ সিনা লীগকী টেবলদা খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখি। আইজোলগী গোল অদু মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা লালরুআথারা অমদি মেচকী মিনিট ৬৩ চৎপা মতমদা জয়েশ রানেনা গোল অমমম চনখি।

শিল্লোং লাজোংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা য়ুটা কিনোৱাকিনা মেচকী মিনিট ৮৩ চৎপা মতমদা চনখি।

মেচ অদুগী হেক হৌরকপগা শিল্লোং লাজোংনা মশক থোক্লা শান্নরক্তুনা আইজোলগী মায়কৈদা দেঞ্জরস ওইবা এটেকশিং তৌখি। মেচকী মিনিট ৫ চৎপা মতমদা আইজোলগী দিফেন্দর লালরুআথারানা শিল্লোং লাজোংগী রিদীম টলাংবু বোক্স মনুংদা ইন্থুরুবগীদমক লাজোংগী মায়কৈদা পেনালটি অমা পীখি। পেনালটি অদু শিল্লোং লাজোংগী ব্রাজিলিয়ন ষ্ট্রাইকর ফাবিও পেনানা কাওখিবদা আইজোলগী গোলকিপর অলবিনো গোমেসনা সেভ তৌখিদুনা অরেম্বদা তাহনখি।

আইজোলনা মায়োক্লখিবা সাইদতা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৩১ চৎপা মতমদা লালরুআথারানা অনকপা মফমদগী কাওশিনখিবা বোল অমনা গোল চনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। মখোয়গী অনীশুবা গোল অদু মেচকী মিনিট ৬৩ চৎপা মতমদা রানেনা চনখি।

মেচকী মিনিট ৮৩ চৎপা মতমদা আইজোলগী ফংখিবা পেনালটি অমা কিনোৱাকিনা গোল ওন্থোকখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

# সোম বহাদুর পুননা প্রোফেস্নেল বোক্সিংদা মমায় লৈশিনখ্রে

ন্যু দেল্লি, জান্যুৱারী ১৭ :

মশাগী অশোকপনা মরম ওইদুনা মহাক্কী বোক্সিংগী কেরিয়রদগী লাপথোকখ্রবা হান্নগী কম্মনৱেলথ গেমসগী সিলভর মেদলিষ্ট সোম বহাদুর পুননা ইন্দিয়ন বোক্সিং কাউন্সিল (আই বি সি) গা খুৎয়েক পীনদুনা প্রোফেস্নেল বোক্সিংদা মায় ওনশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

পুন্না মহাক্কী অহানবা প্রোফেস্নেল ফাইট অদু হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এল সরিতা দেবীনা মহাক্কী অহানবা প্রোফেস্নেল ফাইট ওইনা ময়ুম লমদম ইম্ফালদা জানুৱারী ২৯ দা থিন্নগদৌরিবা অসিদা পাঙথোক্কনি।

প্লেয়র ওইবদগী থাদোক্লগা কোচ ওইনা ৱারেপ লৌখ্রবসু অমুক হন্না বোক্সিংদা হল্লকখ্রবা অসিনা মহাক্কী প্রোফেস্নেল ফাইটতা থাইলেন্দগী মানোপ সিথিয়েমগা মায়োক্লদুনা থিন্নগনি। প্রোফেস্নেল ৱর্ল্ডতা খোঙ থাংজিল্লক্তুনা নোংমত্তদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফাইট অসিদা কম্মনৱেল্‌থ গেমসগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট পিঙ্কি জঙ্গরাসু নুমিৎ অসিদা মহাক্কী ফাইট পাঙথোক্কনি।



পুন অসি হান্নগী কম্মনৱেল্‌থ চেম্পিয়নশিপকী গোল্ড মেদলিষ্ট ওইবদা নত্তনা নেসনল চেম্পিয়ন তরুক্লসু ওইরিবনি।

কুমজা ২০০৮ গী ৱর্ল্ড মিলিটরি বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী মতুংদা বোক্সিং মশান্নদগী পোত্থাখ্রবা ভেটরান আর্মি অসিনা হায়খি, মসি ঐগী ওইনা অনীরকশুবা বোক্সিংদা খোঙ থাংজিনবনি। হেলথ ইসুনা ঐবু চাংদম্নবদগী লাপথোকহল্লোই অমদি ঐনা মমাঙদা তৌখিবগুম স্পোর্টসতগী অমুক হন্না লাপথোক্কনি হায়না খনবা তৌদ্রে। ঐহাক কোচ অমা ওইনা মায় পাক্লে অমদি ঐগী বোক্সরশিংনা মেদলশিং লৌরক্লে। অদুবু পুক্নিং অসিদা বোক্সিং শান্ননিংবগী ইখৌ লাংবদি লেপ্পা লৈতে। মতম পুম্নমক্তা ঐনা কোচ অমা ওইনা রিংগী সাইদতা লৈখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ꯑꯦꯗꯚꯥꯟꯁ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇꯨꯠ
ADVANCED COACHING INSTITUTE Regd. No.-729
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
Only25 Seats per class (each section)
Max. no. of selection every year in min. no. of intakes
REGULAR MEDICAL &ENGINEERING COURSE (2017)
COHSEM
The Largest,Trusted&Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.&Arts
CBSE
Sc. & ARTS
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE X & XII
TIME 4.40-7.40AM 4.40-7.40PM
ARTS & Sc.
Class xii Sc./Arts (COSEM) 22nd Dec. 2016
Class xii Sc./Arts(CBSE) 22nd Dec.
Class x-SA II 21st Dec.
Special RevisionX &foundationCourse for ix,x
Early morning batch 6am to 10am (25 seats)
Late morning batch(25) 10.30am to 2.30pm
Early evening batch 3pm to 7pm (25 seats)
Fee concession for merit students, ex-students,OBCs,ST,SC,distance students
starting from 21st,23rd Dec.
Separated boys,girls hostel,van servicelibrary facility #7308911167/9862992105
HL-B/3619/18-17 Mar. (Alt.)

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
ꯑꯦꯟꯖꯦꯜꯁ
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN Foundation Course for Class I to X Starts: 5th Jan. 2017
5th Open Mega Mock Test for HSLCE 2017
RE - SCHEDULED TIME TABLE

| Date & Day | 31/01/2017 (Tuesday) | 02/02/2017 (Thursday) | 04/02/2017 (Saturday) | 08/02/2017 (Wednesday) | 12/02/2017 (Sunday) | 15/02/2017 (Wednesday) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| Subject | Science | MIL (Man, El. Man.) | English | Social Science | Mathematics | Addl. Sub |

TOPPERS of 2016



1st Position Sohana Laishram Nirmalabas H/S
2nd Position Naorem Suzanna Nirmalabas H/S
3rd Position M. Vasundhara Little Flower H/S
8th Position Wosoron C Tiny Tots
9th Position Sindia A Nirmalabas H/S
10th Position Yaisana A Nirmalabas H/S
10th Position Chetanna RK Nirmalabas H/S
11th Position Selina K Nirmalabas H/S
12th Position Malemnganbi Kh Little Flower H/S
12th Position Joyson Haokip Heritage
14 Position Jessica L
15 Position Tanya G
16 Position Ningthem H
20 Position Eunice Y
21st Position Th. Krishnakant
22nd Position Sylvest K
23rd Position Reeturani L
23rd Position K. Ghanapyari
24th Position Themson Saka
25th Position Taibanganbi Kh
Contact : 9856988840 / 9402897710 / 8732022342
BOARDING FOR BOYS & GIRLS
HL-B/3606/12/01-11/02